## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – জুলিয়ন কাষ্ট্রো –

জুলিয়ন কাষ্ট্রো হান্না সান এন্তোনিও টেক্সাসকী মেয়র ওইরম্লবা মতুংদা বরাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা য়ু এসকী হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট সেক্রেটরি ওইখি। মহাক কুমজা ২০২০গী প্রসিদেন্টগী মীখলগীদমক দেম্মক্রেটিক নোমিনেসন তান্নরিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা অমনি।

দেম্মক্রেটিক পোলিটিসন জুলিয়ন কাষ্ট্রোনা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদা ২০২০গী প্রসিদেন্টগী মীখলদা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক ২০২০গী অঙনবদা নোমিনেসন তান্নবগী লমজেলদগী হন্দাকখি। পোলিটিক্সতা থৱায় য়াওবা মেক্সিকোন ইমুং অমদগী হৌরকখিবা কাষ্ট্রোগী জোকিন কৌবা টেক্সাস ষ্টেটতগী থাগৎপা য়ু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী মেম্বর ওইবা মচিন-মনাও ফাইবোক অমা লৈ।

জুলিয়ন কাষ্ট্রো কুমজা ১৯৭৪ গী সেপ্টেম্বর ১৬তা টেক্সাসকী সান এন্তোনিওদা মহাক্কী ফাইবোক মচিন-মনাও জোকিননা পোক্কদবা মিনট অমগী মমাঙদা পোকখি। মহাক মমা রোজি মেক্সিকান নুপী এক্টিভিষ্ট অমনি। মমানা মচানুপা অনী নীংথিনা য়োকখি। মহাক্না মখোয়বু পোলিটিকেল মীটিংশিংদা পুবীখি। মরকসিদা রোজিনা জিলিয়ন অমদি জোকিনগী মপাগা লুহোংদুনা লৌন-লৈনখিবা নত্তে হায়বা ৱাফম



অমসু লৈরি। জুলিয়নগী মপা জেজে গুজমন য়ুম পাল্লক্লবা নুপা অমা ওইরমখি।

কুমজা ১৯৯৬ তা কাষ্ট্রো ষ্টেন্দর্দ য়ুনিভর্সিটিদা তমখি অমসুং পোলিটিকেল সাইন্স লঅমদি কম্যুনিকেসন্সতা মেজর তৌখি। গ্রেজ্যুএসন লোইরবা মতুংদা ফাইবোম মচিন-মনাও অনীনা লোগী ফার্ম অমদা পুন্না থবক তৌমিন্নখি। মদুদগী খরা লৈরগা কুমজা ২০০৫ দা মখোয়গী ওইবা লো ফার্ম অমা লিংখি।

কাষ্ট্রোগী পোলিটিকেল করিয়র ২০০১ দা সান এন্তোনিও সিটি কাউন্সীলগী মেম্বর অমা ওইবদগী হৌখি। মশাগী চহী ২৬শুবদা ঙাইরিঙৈদা কাউন্সীলগী মেম্বর ওইদুনা কাউন্সীল অদুগী পুৱারীদা খ্বাইদগী নহা ওইবা মেম্বর ওইখি। কুমজা ২০০৫ দা মহাক্না সান এন্তোনিওগী মেয়রগী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মায়থীখি। কুমজা ২০০৯দা অমুক হন্না মীরেপ ওইদুনা লম্বা তৌখি অমসুং হন্দক্তি মায় পাকখি। মহাক মথংগী টর্মদসু মায় পাক্তুনা মেয়রগী ফম টর্ম অনী পায়খি।

কাষ্ট্রোগী পোলিটিকেল করিয়র টেক্সাসতদা নত্তনা নেসনল থাক্তসু মহাক্কী ফীভম ফগৎলকখি। কুমজা ২০১২ দা মহাক্না দেম্মক্রেটিক নেসনল কনভেন্সনদা কিনোট স্পিকর ওইবা অহানবা লেটিনো ওইখি।

কুমজা ২০১৪দগী ২০১৭ ফাওবা কাষ্ট্রোনা ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ঐচ য়ু দি সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌখি। মহাক্না ফম অসি পায়রিঙৈদা মাইনোরিটিশিংবু হাউজিং রাইটশিং মতিক চানা ফংহনখি অমসুং নেচরেল দিজাষ্টরশিংনা শোকহল্লবা কম্যুনিটিশিংদা মতেং পাংখি। কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১২ দা কাষ্ট্রোনা অনৌবা লিদরশিপ, অনৌবা ইনর্জিগী মতম ওইরে হায়রদুনা মহাক ২০২০গী প্রসিদেন্টগী মীখলদা মীরেপ ওইনবা নোমিনেসন তান্নরগনি হায়না লাউথোকখি।

## মালেমগী অঙকপাশিং

## হোংকোংগী টিয়ন টান বুধ

হোংকোংগী লান্টাও আইলেন্দ মনুং চন্না ঙোং পিংদা শেঞ্জেংনা শাবা বুধগী অচৌবা মিত্তম অমনি "টিয়ন টান বুধ"। পো লিন মোনাষ্ট্রির মনাক্তা লৈবা মিত্তম অসি মীওইবা অমদি মহৌশা, লোয়নন্না মীওইবা অমদি থাজবা হায়বসিগী মরক্তা লৈনবা চেৎলবা মরী অদুগী ময়েক শেংলবা খুদম ওইনা লৌনরি। বৈজিংদা লৈবা "টেম্পল ওফ হেভন" হায়না খঙনবা "মাওন্ট ওফ টিয়ন" গী মওং মতৌ লৌরগা মিত্তম অসিগী ফম্বাক শেমখিবা মরম্না শেঞ্জেংগী মিত্তম অসিবু "টিয়ন টান বুধ" হায়না খঙনবনি। চাইনাদা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা বুধগী মিত্তম মঙাগী মনুংদা অমা ওইরিবা "টিয়ন টান" অসি থম্বাল মওং মানবা ফম্বাক অমগী মথক্তা খিনবনি। মসিগী অকোয়বদা শেঞ্জেংগী অপীকপা মিত্তম তরুক খিল্লি। মিত্তম তরুক অসিনা বুধদা লৈ, ধুপ, থাউমৈ, উহৈ অমদি অচা-অথক কৎতুনা লাইনীং লাইশোন তৌবগী খুদমনি। মসিগীসু মথক্তা অরান-খুভম ফংবদা তঙাই ফদনা চঙবা মচাকশিং-পুকচেল চাউবা, লমচৎ ফজবা, অখাঙ কনবা, কল্লক-মিহৌবা থাদোকপা, লাইনীং পরৈ চেৎপা অমসুং লৌশিংগী মৈরা ওইনা লৌনৈ।

ফুট ১১২ (মিটর ৩৪) ৱাংবা অমসুং মেত্রিক টন ২৫০ লূম্বা মিত্তম অসি শেঞ্জেং মচেৎ ২০২ না পুল্লগা শেম্বনি। মপানথোংগী মচাকশিং অসিবু ঙাক্লৌ পীনবা মনুংদা অকনবা ষ্টিলগী ফ্রেমৱর্ক অমা য়াওই। লৈচিল-নোংফাই থাংদবা নুমীৎতদি থাপ্লবা সমুদ্র মপান্দগী মিত্তম অসি ইরায় লায়না উবা ফংই।

কনাগুম্বনা মিত্তম অসি য়ৌনা চৎনবগীদমক সিরি থাক ২৬৮ কাখৎপা মথৌ তাই। হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদবা মীওইশিংগী ওইনদি গাড়ী তোংলগা কাখৎপা য়াবা খরা কোইথোকপা লম্বী অমা লৈ। মীওইবগী অৱা অনা পূন্নমক কোকপীবগী মওংদা বুধগী য়েৎ থংবা মখুৎ থাংগৎলি অমসুং পুকচেল চাউবগী মতৌ উৎতুনা ওয় থংবা মখূৎনা মতম্বাক্তা থম্মী। অতৈ অতোপ্পা বুধগী মিত্তমশিংগা মান্নদবা মওংদা "টিয়ন টান" দি অৱাং লোমদা মমায় ওল্লি।মিত্তম অসিগী মখাদা মথোল অহুম লৈ। মথোল অহুম অদুবু "হোল ওফ য়ুনিভর্স", হোল ওফ বেনিভোলেন্ট মেরিট" অমদি "হোল ওফ রিমেম্ব্রেন্স" হায়না খঙনৈ। মদুদা গৌতম বুধনা শীজিন্নরম্বনি হায়বা পোৎলম খরা থল্লি। কা অমদা বুধগী অয়েকপা শক্তম কয়ামরুম লৈবগা লোয়ননা অচৌবা কাংশি অমা খিল্লি। মিনিট তরেৎ খুদিংগী খীংদুনা কাংশি অদু নোংমদা ১০৮ লক খীংই। মসিনা মীওইবগী অৱা-অনা অমদি কল্লক-মীহৌবা ১০৮ কোকহনবগী খুদম ওইনা লৌনৈ।

"টিয়ন টান" অসি কুমজা ১৯৯০ দা শাবা হৌরগা কুমজা ১৯৯৩ গী দিসেম্বর ২৯ দা লোইশিনখি। বুধনা অরান খুভম ফংখিবা নুমিৎ-দিসেম্বর ২৯ বু চাইনীজ মীয়াম্না মরু ওইনা লৌবা মরম্না নুমীৎসিদা শাবা লোইশিনখিবনি। মিত্তম শাবা লোইরবা মতুংদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী বুধিষ্ট লম্নোইবা কয়া কৌদুনা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াহনখি। থৌরমদুদা মেনলেন্দ চাইনা, হোংকোং, টাইৱান, ইন্দিয়া, জপান, কোরিয়া, থাইলেন্দ, মলেসিয়া, সিঙ্গাপোর, শ্রীলঙ্কা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী বুধিষ্ট লম্নোইবা কয়া শরুক য়াখি।

নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪৫ ফাওবা মীয়াম্না পো লিন মোনাষ্ট্রির অমদি বুধগী মিত্তম য়েংবা য়াই। মপানথোংগী শরুক য়েংবগীদমক অয়েংমল অমত্তা লৌদে অদুবু মনুংদা চঙগে হায়রবদি অকক্লবা শেনফম খরা লৌই। চাইনাগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিং, মরু ওইনা সিচুৱান প্রোভিন্সতা য়াম্না হেন্না চাউবা বুধগী মিত্তম কয়ামরুম লৈ। অদুবু মদু পূন্নমক অফম্বা মিত্তম নৎতে। অফম্বা মিত্তমশিংগী মরক্তদি হোংকোংগী "টিয়ন টান" না মালেমদা খ্বাইদগী চাউবনি।

## ব্যুটি : শাবান ফজহনবা হায়বসি ইশা-ইশাগী খূৎতা লৈ

ফীভম ফজবা হায়বসি অউবশিংনা য়েংবা নুংঙাইবখক্কী ৱা নত্তনা ইশাগী ওইনু পার্সনেলিটি হেনগৎনবগী মচাক অমনি। শক ফজবা-থীবগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা য়েংবদা চূং ফীরাল চানা ফীভম ফজবা হায়বসি ইশা-ইশানা হোৎনবগী মখা য়াম্না পোল্লি।

কনাগুম্বা লাইবক ফবা মীওই খরদি থোইদোক্লা হোৎনরুবা তৌদনা মমা পুক্নুংদগী পীথোকচরকপা মগুন অমা ওইনা য়েংবদা নুংঙাইবা শাবান অদুমক লোয়নজরকপসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু অয়াম্বদি চাবা-থকপদা অকক্নবা কাঙলোন অমা ঙাক্তুনা নুমিৎ খুদিংগী হুমাং তানা শাজেল তৌবদগী ফজবা, য়েংবদা নুংঙাইবা শাবান ওইরকপনা অয়াম্বনি।

নুপীগী ওইনসু হকচাংগী মওং নৎত্রগা ফীভম হায়বসি নুপী অমগী শরু পোল্লাংগী ষ্ট্রকচর অমসুং হকচাংগী করম-করম্বা মফমদা মশল অমদি ফেট কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বগী মখা য়াম্না পোল্লি। নুপী অমগী ফীভম অসি চাংচৎতা থবাক অমদি নীংজোল মপাদগী খ্বাঙ মপাদনা খরা হেন্না চেংগনি। থবাক, খ্বাঙ অমদি নীঙবু ইনফ্লেক্শন পোইন্টশিং হায়না খঙনৈ। অহুম অসিগী রেসিও লৌরগা কনাগুম্বা অমগী শাবান কয়া য়াম্না ফজবগে হায়বদুগী চাং লেপ্পী। থাইরোইদ গ্লান্দদগী থাদোরকপা ইষ্ট্রোজেন কৌবা হোর্মোন মখল অমনা মরম ওইরদুনা নুপীনা নুপাদগী ফেটকী শরুক য়াম্বা হেল্লি। হকচাংগী করম করম্বা মফমদা ফেট লৈহনগদগে হায়বগী মতাংদা ইষ্ট্রোজেন্না অচৌবা থৌদাং লৌই।

চাবা-থকপগী হৈনবী, হকচাং লেঙ-ওৎপগী মওং অমসুং ইষ্ট্রোজেনগী লেভেল খেন্নবগী মতুং ইন্না হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফেটকী শরুক লৈবগী চাংসু খেন্নে। চহী নৌরিঙৈ মতমদা ইষ্ট্রোজেনগী চাং ৱাংবা মরম্না নুপী অয়াম্বা শাবান ফজৈ অদুবু থাগী খোঙকাপ লেপখিবদগীদি ইষ্ট্রোজেনগী চাংসু হন্থখিবা মরম্না ফেটকী শরুক হেনগৎলক্তুনা শাবান ফজবা ৱাৎলকই। নুপাগী ওইনদি টেষ্টোষ্টরোন কৌবা হোর্মোন অমা য়াওই। হোর্মোন মখল অনী খেন্নবা মরম্না নুপাগা নুপীগা শাবান মান্নদবনি।

মসিনা মহৌশাগী ওইবা খুৎশেমনি। মসি নত্তবদা ইশা-ইশানা হোৎনবগী মতুং ইন্না ইশাগী শাবান খরমখৈ ফজহনবা অদুমক য়াবজাৎনি। ফীভম ফজহন্নবগী খ্বাইদগী অহানবা খোঙথাংদি হকচাংদগী অহেনবা-কান্নদবা ফেটকী শরুক লৌথোকপনি। কনাগুম্বনা পাম্লমদবদি য়াই অদুবু অহেনবা ফেট লৌথোকখিনবগী খ্বাইদগী ফবা অমত্তা ঙায়রবা খোঙথাংদি হকচাং শাজেল তৌবনি। মসি য়াম্নদি চম্বা অদুবু অরায়বদি নত্তবা খোঙথাংনি। শেল খরা তিংজরবসু টেব্লেট অমা চারগা নোংঙাল্লকপদা অহেনবা ফেটকী শরুক পুন্নমক লৌথোকখিদুনা ফজবা শাবান অমা ওইরম্বা হায়বদু মীওই অয়াম্বনা পাম্নরমগনি।

ফেট লৌথোক্লবা হীদাক লৈতববুদি নত্তে। কনাগুম্বনা টেলিভিজন অমদি পাউ-চেশিংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরকপা অদুমক থেংনবীরমগনি। অদুবু কাউরোইদবা ৱাফমদি টেব্লেট খরা চারগা অরায়বা মওংদা লৌথোকখিবা ফেটকী শরুক পুন্নমক অরায়বা মওংদা অমুক শোয়দনা হল্লক্কনি হায়বসিনি। হুমাং তানা মতম চঙনা লৌথোকখিবা ফেটকী শরুকশিং অদুদি পাক হেক হল্লক্লরোইদবনি।

শুকশোয় শোয়দনা মায় পাক্লগদবা ফেট লৌথোক্লবগী পান্থে মঙা মখাদা নৈনজরি ঃ অহানবা ঃ খ্বাইদগী ফবা অমসুং অহানবা পান্থে ওইনা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগদবনি। হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা হকচাং মনুংগী সিষ্টম অহুম মথৌ তৌহল্লি অমসুং তূংশিন্দুনা লৈরম্বা কেলোরিশিং শিজিন্নথোকই। তূংশিন্দুনা লৈরম্বা ফেটকী শরুকশিংসু মশল, হার্ট অমদি লংসতা এনর্জি পীবদা ওইনা শীজিন্নখি। শাজেল তৌবদগী ৱারল্লবা মতমদা হকচাংনা এনর্জি ফংলক্তবদগী হান্না তূংশিন্দুনা লৈরম্বা ফেটকী শরুকশিং শীজিন্নবা হৌরকই। মসিগীসু মথক্তা চাং নাইনা শাজেল তৌরবদি মশল চাউখৎলকই। মশলগী টিস্যু অসি এনর্জি খ্বাইদগী য়াম্না চাথোকপা পোৎনি। মশলগী শরুক্লবু হেনগৎলক্লবদি শাজেন তৌদবা মতমদসু ফেটকী শরুক চাথোকপা লেপতে।

অনীশুবা ঃ ফেট লৌথোক্লবগী অনীশুবা খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাংদি চাবা থকপগী মওংনি। য়াঙ কংথনবনি হায়দুনা চরা হেনবা তৌরোইদবনি। চাং হন্থনা খজিক-খজিক হকচাংদা কান্নগদবা মচি লইবা চীঞ্জাক খল্লগা চাগদবনি। হেঞ্জিন্না চাশিনবা তৌদনবা চাকচা মাঙদা ঈশিং ফজনা থকচিনবসু কান্নগনি।

অহুমশুবা ঃ অহুমশুবা খোঙথাং ওইনা ষ্ট্রেসকী চাং অঙম্বা থাক্তা হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি। মীওইবা কৌবনিনা ষ্ট্রেসপু থাদোকপা ওইথোক্তে। অদুবু মতম লৈবা খিবিক্তা হোবে-হোবে তৌদুনা অমসু-অমসু নংহৌররোই হায়বগী মওংদা চাক চাবা চৎন-চৎনা চাবগী ফীভম থাদোক্কদবনি। নোংমদা মতম ঙাইহাক কাইথোক্তুনা নিংশা শ্বর শাংনা-শাংনা হোন্দুনা ৱাখল ফাথনবা হোৎনবা কান্নগনি।

মরিশুবা ঃ মরিশুবা খোঙথাং ওইনা নুমিৎ খুদিংগী মপুং ফানা তূমগদবনি। তূম্বা ৱাৎপা মীওইশিং নোয়বগী চাং ৱাংই। চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা য়াম্না কন্না থিজিন্নবা হোৎনরি অদুবু নোংমদা পুংজা খরদা ওইরবসু তূম্বা ৱাৎপা মতমদা নোয়বা হেনগৎলি হায়রি। য়ামদ্রবদা নুমিৎ খুদিংগী পুং নিপালদি মপুং ফানা তূমগদবনি।


মঙাশুবা ঃ খুদক্তা মহয় ফংনিংবগী ৱাখল থাদোক্কদবনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা নোয়বা হন্থনবনি হায়দুনা কা হেন্না খক হোৎনরোইদবনি। চরা হেনবা নৎত্রগনা য়াঙ কংথনবা গুলি চাবসু তৌরোইদবনি। থাউ হান্দনা গাড়ি চেনবা য়াদবগুম চাবা-থকপা য়াওদনা মীওইবনা হিংবা ঙম্লোই। মতম খরা চঙজরবসু মথক্তা পনখ্রিবা পান্থেশিং অসি শিজিন্নদুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা ইশাগী শাবান শেম্নবা হোৎনবীয়ু। শোয়দনা মায় পাক্কনি।

## ꯃꯈꯜ ꯍꯣꯡꯗꯕ ꯇꯔꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯊꯤꯗꯣꯛꯎ







Title: Scenery
By: K. Hovison Meitei
Class: VI Sec: Roll No.
School: St. Antony's School



Title: A House
By: Tina Devi
Class: V Sec: Roll No. 41
School: Maria Montessori Senior Secondary School



Title: Scenery
By: Thoungamba Heikrujam
Class: III Sec: A Roll No. 08
School: Smart Universal Academy



Title: Save Earth
By: Shusani Ch.
Class: VII Sec: B Roll No. 31
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Lynx
By: Oinam Korounganbi
Class: IV Sec: B Roll No. 13
School: Kids' Foundation



Title: A boy with Umbrella
By: Lingjelthoi
Class: I Sec: A Roll No. 02
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: Ch. Mahersar
Class: III Sec: C Roll No. 05
School: Smart Universal Academy




Title: Dora
By: Nency
Class: III Sec: Roll No. 25
School: UNACCO School




Title: Sparrow
By: Honey
Class: I Sec: A Roll No. 18
School: St. Joseph. Hr. Sec. School



Title: Amaura
By: Doller Irengbam
Class: I Sec: D Roll No. 13
School: St. Joseph. Hr. Sec. School



Title: Scenery
By: Cecilia
Class: II Sec. Roll No. 27
School: R.K. Sanatombi



Title: Pokemon (Arceus)
By: Aditya Salam
Class: V Sec: B Roll No. 33
School: Kids' Foundation